# ইন্দিয়াদা গ্রান্দ এলায়েন্সশিংদি হোৎনখ্রবা, চাংয়েংখ্রবা, কান্নদ্রবা ব্রাখল্লোননি ঃ অরুন জেটলি




*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬*

ইন্দিয়াদা গ্রান্দ এলায়েন্সশিং হায়বসিদি শেন্নবা হোৎনখ্রবা, চাংয়েংখ্রবা অমসুং ওইদ্রবা অমসুং কান্নদ্রবা ব্রাখল্লোননি হায়না ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে। করিগুম্বা অসিগুম্বা এলায়েন্স অমা অমুক শেন্নকপা তারবদি ২০১৯ গী মীখল অদু অকনবা লুচিংবা অমনা লুচিংবা মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমগা মফম মরাং খঙদবা অপুনবা অমগগী মরক্তা কন্টেষ্ট তৌনবা অমা ওইগনি হায়খি।

ইন্দিয়াদা গ্রান্দ এলায়েন্সকী হৌখিবা ইতিহাস পল্লদুনা অরুন জেটলিনা– মদু চন্দ্রসেখরগী মখাদা নখোয়না হোৎনখ্রে, ভি পি সিংহগী মখাদা মচেৎ ওইনা হোৎনখ্রে, চরণ সিংহগী মখাদা অমুক হোৎনখ্রে অমসুং আই কে গুজরাট অমসুং দেবী গৌরাগী মখাদা হোৎনখ্রে হায়খি। মদু পোলিসি হাৎতোকপা অমসুং গভর্ণমেন্টকী পুন্সি থা খরখক ওইবা চাংয়েং অমা ওইখি।

অচৌবা এলায়েন্স অমা লৈনবগীদমক নখোয়না অচৌবা ন্যুক্লিয়স অমা অমসুং মদুগী অকোয়বদা পুনশিন্নবা অপীকপা খূৎপুশিং লৈগদবনি। মীওই খুজোক খরখকনা ন্যুক্লিয়স অমা ওইবা য়ারোই। রিজনেলগী ওইবা ব্রাখল খনবা অপীকপা পার্টিশিংগী এলায়েন্স অমা করিগুম্বদা লৈবা য়ারোই হায়না ন্যু দিল্লিদা ঐচ টি লীদরসিপ সম্মিটতা ফাইনান্স মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

অরুন জেটলিনা ব্রাফম অসি ফোঙদোক্লিবসি অচৌবা ষ্টেট খরদা এসেম্ব্লি মীখলশিং পাঙথোক্লমদাই অমসুং লোক সভা মীখল মাঙওইননি। কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট ইলেক্সনদা বি জে পি মায়থিবা পীনবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী গ্রান্দ এলায়েন্স অমা শেন্নবগী ব্রাফম কন্না ঙাংনরক্লিদৌঁদা ফোঙদোকপা ওইবনা মহাক্কী ব্রাফমশিং অসি য়াম্না মরু ওইরি।

আশা লৈবা খুন্নাইশিংনা কৈদৌঁদা মশা মতোমতা শিজনবা হোৎনরোই। মশা মতোমতা শিজবগুন্না চাংয়েং কয়াদা ওইখিদ্রবা মফম মরাং খঙদবা অপূনবা এলায়েন্সতা কৈদৌঁদা থাজরোইদবনি।

২০১৯ গী লোক সভা মীখলদা বি জে পি না মায় পাক্কনি হায়বসি ঐনা য়াম্না ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লিবসিনি হায়না জেটলিনা হায়খি।

# ইতিহাসিক ওইনা জপান মিলিটরিনা অহানবা ওইনা আর্মোর্দ ভেহিকলশিং য়াওনা ব্রার গেম য়াওখ্রে

*সান এন্টোনিও (ফিলিপ্পিন্স), ওক্টোবর ০৬*



য়ু এস অমসুং ফিলিপ্পিন ট্রুপশিংনা পাঙথোকপা অপূনবা ব্রার গেমশিংদা ঙসি থাংজ নুমিত্তা জপানগী ট্রুপশিংনসু শরুক য়াদুনা ফিলিপ্পিন্সকী বিচ অমদা থোমজিনখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকপদা ঙসি জপানগী ট্রুপশিংনা ব্রার গেম অদুদা শরুক য়াবদা মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতূংদগী মীরৈবাক্কী লম অমদা তোকিওনা আর্মোর্দ ভেহিকলশিং থৌদোরকপসি মসিনা অহানবনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখি।

ব্রার গেম অদুগী মনুংদা টেরোরিষ্ট খূৎপু অমদগী ফিলিপ্পিন টেরিতোরি অমবু অমুক হন্না লৌশিন্নবা য়ু এস অমসুং ফিলিপিনো মেরিনশিংনা এম্ফিবিয়স লেন্দিং অমা তৌরবা তুংদা অপীকপা জপানগী কন্টিঞ্জেন্ট অদুনা শৌগৎপগী থবক চথখি।

টেরোরিষ্টশিংগী মখূৎতগী ফিলিপ্পিন্স টেরিতোরি অদু অমুক হন্না লৌশিন্নবা হোৎনবদা শোক্লবা ফিলিপিনো অমসুং অমেরিকান ট্রুপশিংবু লৈকং লমদা পুশিল্লকপদা আর্মোর্দ ভেহিকল ৪ গী মতূংদা কেমোফ্লেস শেত্তুনা খূৎলাই পায়দবা জপান লান্মী ৫০ চৎলি।

কোদনেমদা কমান্দাগ (ভেনম) হায়না কৌবা ব্রারগেম অসিদা কুমজা ১৯৪৫ দা অনীশুবা লাঞ্জাওদা জপানন্না মায়থিরবা তুংদা পেসিফিক কন্সটিট্যুসন অমা চৎনবা হৌখিবা মতূংদগী লৈবাক অসিগী আর্মোরদ মিলিটরি ভেহিকলশিং মীরৈবাক্কী লমদা শীজিন্নবদা অহানবনি হায়না জপানগী মেজর কোকি ইনৌব্রেনা হায়খি।

য়ু এস অমসুং ফিলিপ্পিন্সকী অপূনবা ব্রার গেম অদু কুমজা ২০১২ দা ফিলিপ্পিন্সকা চিনাগগী নেভিগী মুক্নবা অমদা চিনানা লৌশিনখিবা অদুবু মনিলানা মখোয়গীনি হায়রিবা স্কারবোরো শোল কৌবা টেরিতোরি অদুদগী কিমিঃ ২৫০ রোম লাপ্পদা সাউথ চিনা সি গী মায়োক্নবদা লৈবা ফিলিপ্পিন নেভি বেজ অমদা পাঙথোকপনি।

ঙসিগী এম্ফিবিয়স লেন্দিং অদুদা য়ু এস, ফিলিপিনো অমসুং জপানিজ ট্রুপ ১৫০ রোম শরুক য়াখি। তৌরিবা অসিদা মীরৈবাক্কী লৈবাক অমা নৎত্রগা ফোরেন আর্মি মখল অমত্তদা করিগুম্বা তৌগদবা অমত্তা লৈতে। মসি ফিলিপ্পিন্স মনুংদা কাউন্টর–টেরোরিজম থেংননবা খক্তগী চথবা এক্সর্সাইস অমনি হায়না য়ু এস মেরিন কম্ম্যুনিকেসন্স ওফিসার ফার্ষ্ট লেপ্টিনেন্ট জেক দোহরতিনা হায়খি।

# কাশ্মীরদা কেমিকেল ব্রিপন শীজিন্নে হায়না পাকিষ্টাননা মরাল শীরক্লিবদু মীনম্বনি ঃ ইন্দিয়া




*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬*

কাশ্মীরদা ইন্দিয়াগী সিভিল ফোর্সশিংনা কেমিকেল ব্রিপনশিং শীজিন্নে হায়না পাকিষ্টাননা শীরক্লিবা মরাল অদু ঙরাং ইন্দিয়ানা য়াখিদ্রে অমসুং থংনবা লৈবাক অসিদগী থোরক্লিবা টেরোরিজমদগী ইন্টর্নেস্নেলগী মীৎয়েং থৈদোকখিনবা হোৎনরিবা মীফৎতগী থৌওং মায় পাক্লোই হায়খ্রে।

পাকিষ্টাননা মখোয়গী মীনম্বশিং অদু ইন্টর্নেস্নেল কম্ম্যুনিটিনা থাজবা হৌরগনি হায়বগী অরেম্বা অশাদা অরানবশিং অদু হঞ্জিন–হঞ্জিন্না হায়দুনা দাইত্ব লৈতবা খোঙথাং অমা চখরি হায়না ইন্দিয়ানা হায়খ্রে।

পাকিষ্টানগী ফোরেন ওফিসকী ব্রাঙাংলোই মোহম্মদ ফাইজালনা শগোলশেন নুমিত্তা ইন্দিয়াগী ফোর্সশিংনা কাশ্মীরশিংগী মথক্তা কেমিকেল ব্রিপনশিং শীজিন্নে হায়না ফোঙদোকখি।

শীরক্লিবা অদুগুম্বা মরালশিং অদুগী মতাংদা মেদিয়ানা হংলকখিবা ব্রাহং অমগী পাউখুমদা এক্সতর্নেল এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিগী ব্রাঙাংলোই রবীশ কুমারনা হায়খি, ইন্দিয়ান সিটিজনশিংগী মথক্তা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা কেমিকেল ব্রিপনশিং শীজিন্নে হায়বগী মতাংদা পাকিষ্টাননা শীরক্লিবা মরাল অদু ঐখোয়না মপূং ফানা মুখৎখ্রে। অসুন্না মরাল শীবশিং অনৌবা নত্তে অমসুং মপূং ফানা য়ূম্ফম য়াওদবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মালেমদা কনাগুমবা অমত্তনা করিগুম্বা মতম অমদা অমসুং মফম অমদা কেমিকেল ব্রিপনশিং শীজিন্নবগী মায়োক্তা ইন্দিয়ানা চপ চানা লেপ্পী হায়বসি ইন্দিয়ানা হঞ্জিন–হঞ্জিন্না হায়খ্রবনি।

ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া অসি কেমিকেল ব্রিপন্স কনভেন্সন (সি দব্লিউ সি) দা ওরিজিনেল সিগ্নেতরি অমনি। কেমিকেল ব্রিপনশিং শীজিন্নবা থিংলিবা মালেম পূম্বগী লৈবাকশিংগী ইন্স্ট্রুমেন্ট ওইরিবা সি দব্লিউ সি দা ইন্দিয়াগী অচেৎপা ফিরেপ অমসুং থবকশিংবু ইন্টর্নেস্নেল কম্ম্যুনিটিনা মশক খঙখ্রবনি হায়খি।

মরম অদুনা পাকিষ্টানদগী হৌরক্লিবা টেরোরিজমদগী ইন্টর্নেস্নেলগী মীৎয়েং থৈদোক্নবা অসিগুম্বা মীনম্বা পুকফত্তগী হোৎনবশিং অসি কৈদৌঁদা মায় পাক্লোই হায়না মহাক্না হায়খি।

# রিতায়ার্দ জজ, লোয়নবী চেল্লিবা ট্রেন মখাদা চোংশিন্দুনা শিজখ্রে

*তিরুপতি, ওক্টোবর ০৬*

অন্ধ্র প্রদেশকী থবক্তগী পোত্থারবা দিষ্ট্রিক্ট জজ অমা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী নুপী ঙরাং ইরাই নুমিত্তা মফম অসিদা চেল্লিবা ট্রেনগী মখাদা চোংশিন্দুনা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

তিরুপতিদা লৈবা হান্নগী জুদিসিয়েল ওফিসিয়েল পি সুধাকর (৬৫) ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা তিরুপতি–রেনিগুন্তাগী মরক্তা রেল ট্রেক অমদা শিনা তাদুনা লৈরম্বা থেংনখি। অসিগুম্বা অরোইবা খোঙথাং লৌখিবগী মরম অসি মহাক্কী হকচাংগী অনাবদগী ওইরম্বা য়াই হায়রি।

মহাক্কী মপুরোইবা শিবগী পাউ খঙলক্লবা মতূংদা মহাক্কী লোয়নবী নুপী পি বারালক্ষমী (৫৬) সু হায়রিবা মফম অদুমক্তদা অতোপ্পা চেল্লিবা ট্রেন অমগী মখাদা চোংশিন্দুনা মশামক শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ঙসি নুমিদাং ফোঙদোকখ্রে।

# জে–কে দা টেরোরিষ্টশিংনা ফাখিবা মীওই শিরগা লৈরম্বা থেংনখ্রে

*শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৬*

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী সোপোর তাউনদগী টেরোরিষ্টশিংনা ফাখিবা মীওইবগী হকচাং ষ্টেট অসিগী বারামুল্লা দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি থাংজ নুমিত্তা মখৌরী চরম লেন্থৎলগা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখ্রে।

সোপোরগী তুজার এরিয়াদা লৈবা তব্রাসীফ অহমদ গেনি (৩০) কৌবা মীওই অদু য়ুশকৈশা নুমিত্তা মহাক্কী দুকানদগী ফাখিবনি।

মীহাৎ অসি লাসকর–ই–তোইবা (এল ই টি) না ওইগনি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোক্লি।

# লোকচপতা বস গুরুং চৎপদা ২০ শিখ্রে

*শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৬*

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রম্বান মনাক্তঃা বস অমা হায়ব্রেদগী নান্থরক্তুনা অরুবা লোকচপ অমদা তাশিনখিবদা মীওই ২০ শিখ্রে অমসুং অতৈ কয়ামরুম শোকখ্রে।

বস অদু জম্মু–শ্রীনগর হায়ব্রেদা রম্বানদগী বানিহালদা লাকখিবনি। অশোকপশিং অদু রম্বানদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখ্রে। মফম অদুদা অব্রা তেংবাঙ পীবা খূৎপু থুংলখ্রে হায়না পুলিসনা হায়রি।

# আর্মি গারী গুরুং চৎপদা লান্মী ১৩ শোকখ্রে

*শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৬*

ঙসি খা কাশ্মীর দিষ্ট্রিক্ট সোপিয়ানদা আর্মিগী গারী অমা মথক মখা ওন্দুনা তুরেলদা তাশিনবদা য়ামদ্রবদা লান্মী ১৩ শোকখ্রে।

শোক্লবা লান্মী ১৩ অদু লায়েংনবগীদমক অনকপদা লৈবা মেদিকেল ফেসিলিটি অমদা পুখৎখ্রে। মখোয়গী ফিভম খুদোংথিনিংঙাই ওইদে হায়না দিফেন্স লীখুনশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

# য়ু পি দা অরোনবা খূৎলাই শাফম থুগাইখ্রে

*মুজাফরনগর, ওক্টোবর ০৬*

উত্তর প্রদেশকী মুজাফরনগরগী খানপুর খুঙ্গংদা আইনগী ব্রাংমদা চথরম্বা অরোনবা খূৎলাই শাফম অমা থুগাইখ্রে অমসুং মীওই অহুম ফারে হায়না ঙসি থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং ইরাইগী নুদিংব্রাইরমদা চথবা রেইদ অমদা খূৎলাই শাফম অদুদগী পিষ্টোল ৮, শাবা তম্বাই লোইরবা পিষ্টোল ১০, নোংমৈ ২ অমসুং বেরেল ১৫ ফংখি হায়না সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস (এস এস পি) সুধির কুমারনা হায়খি।

অরোনবা খূৎলাই শাফম অদুদগী ফারবা মীওইশিং অদুদি বিজয়পাল, রাহুল অমসুং ইসরার কৌই। মখোয়গী মথক্তা অরোনবা খূৎলাই করবার তৌবগী, আইনগী ব্রাংমদা খূৎশু–খূৎলাই শাবগী থবক চথবগী মরালশিং শীখ্রে। পুলিসনা মখোয়না চথরম্বা য়াবা অরোনবা থবকশিং মখা তানা থিরি হায়রি।

# ভি ভি আই পি হেলিকোপ্টর ব্রাথোক্কী এক্স্যুজ গেরোসা স্বিটজর্লেন্দদা চেনখ্রে


*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬*

ইন্দিয়াগা ইতালিগা এক্সত্রাদিসন ট্রিতি অমা তৌনদে হায়বগী মরমদগী ইতালিনা ইন্দিয়াদা এক্সত্রাদিট তৌ হায়বা য়াখিদবা লুপা ক্রোর ৩,৭২৭ কী ভি ভি আই পি চোপ্পর স্কামদা মরু ওইবা মিদ্দলমেনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা কারলো ভেলেন্টিনো গেরোসা স্বিটজর্লেন্দদা চেনখ্রে।

মহাকপু ইন্দিয়াদা কেস অসিগী ব্রায়েল মায়োক্নবা পুরক্নবা ইন্দিয়ান এজেন্সিশিংনা হৌজিক স্বিটজর্লেন্দদা হায়জখ্রে।

সি বি আই অমসুং এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই দি) অনীমক্না পান্নিবা গেরোসা অসি হান্নগী ইন্দিয়া এয়ারফোর্স চীফ এস পি ত্যাগি অমসুং মহাক্কী ইমুং মনুংদা অচা–শেলশিং পীবগী মরাল শীরিবনি। মহাক্না এঙ্গলো–ইতালিয়ান কম্পেনিগী মীচঙদা দিল অদু তৌনবা আই এ এফ অমসুং অগষ্টা ব্রেষ্টলেন্দগী মরক্তা উন্নহন্নবা থৌরাং তৌখিবনি।

# লুপা ক্রোর ১,৪০০ গী স্কামদা পাকিষ্টানগী ওপোজিসন লীদর শাহবাজ শারিফ নুমিৎ ১০ নিগী এন এ বি রিমান্দ লৌথখ্রে



*লাহোর, ওক্টোবর ০৬*

হান্নগা খুদোংচাদবা খুরৌ কয়া মায়োক্নদুনা লৈরবা শারিফকী ইমুং মনুংদা অনৌবা খুরৌ অমমুক ওইনা পাকিষ্টানগী এন্টি করপসন কোর্ট অমনা ঙসি থাংজ নুমিত্তা ওপোজিসন লীদর শাহবাজ শারিফপু লুপা ক্রোর ১,৪০০ গী হাউসিং স্কামদা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা এন্টি–গ্রাফ্ট বোদিদা নুমিৎ ১০ নিগী রিমান্দ পীখ্রে।

ঙরাং ইরাই নুমিত্তা পি এম এল–এন (পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ–নব্রাজ) গী প্রসিদেন্ট অসিবু ফাখিবা নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি) না করপসন কেস অদুদা মহাক চেন্নবগীদমক ইনভেষ্টিগেসন চথনবা নুমিৎ ১০ নিগী রিমান্দ পীনবা কোর্টতা তক্লখি।

মহাক, কেস অহুমদা করপসনগী মরালশিং মায়োক্লরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ফমদগী তাম্থোকখ্রবা নব্রাজ শারিফ (৬৮) কী মনাওনুপানি।

এন এ বি লাহোর ওফিস মনুংদা খ্বাইদগী কনবা চেকশিন–থৌরাং লৌখৎতুনা লোক–অপতা থম্লকখিবা পি এম এল–এন প্রসিদেন্ট অসিনা অকনবা সেক্যুরিটিনা ঙাক–শেন্দুনা আর্মোরদ ভেহিকল অমদা কোর্ট অদুনা থুংলখি।

কোর্টকী মপানদা মহাক্কী পার্টিগী ব্রার্কর ময়াম পুল্লখি অমসুং শারিফ মচিন–মনাওশিংদা লমন খুম্বগী থবক চথবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানগী মায়োক্তা খোল্লাওশিং লাওখি।

একাউন্টেবিলিটি কোর্টকী জজ নজমুল হাসননা এন এ বি প্রোজিক্যুটরনা হায়জরকপদু য়াখি অমসুং কেস অদুদা মহাকপু ব্রাহং–পাউহং চথনবা নুমিৎ ১০ নিগী রিমান্দ পীবা য়াখি।

মহাক্কী ওথোরিটি লান্না শীজিন্নে হায়বগী মরাল শীরিবা শাহবাজনা মঙোন্দা শীরক্লিবা করপসনগী মরালশিংদু য়াখিদে অমসুং মহাক্না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদা তোঙান তোঙানবা দিভলপমেন্টেল প্রোজেক্টশিংদা মহাক্না লুপা বিল্লিয়ন কয়া তুংশিল্লকখিবনি হায়না কোর্টতা থমখি।

মহাক্কী মায়োক্তা শুপ্নগী লুপা ১ গী করপসন তৌই হায়বগী প্রমাণ লৈতবা মরমনা কেস অসি পোলিটিকেলগী তুহৎপা অমসুং লমন খুম্বা ওইনা লৌবীয়ু হায়না শাহবাজ শারিফনা জজ অদুদা হায়জখি।

শাহবাজ শারিফকী মথক্তা লুপা বিল্লিয়ন ১৪ গী অশিয়ানা হাউসিং প্রোজেক্ট অমসুং লুপা বিল্লিয়ন ৪ গী পঞ্জাব সাফ পানি কম্পেনিগী মতাংদা করপসন্দা চেন্নে হায়না মরাল শীরিবনি।

# মাঙখিবা ইন্টরপোল চীফ চিনাদা ফাদুনা লৈরম্লে

*বৈজিং, ওক্টোবর ০৬*



ইন্টরপোল প্রসিদেন্ট মেং হোংব্রে মহাক্কী পোক্নফম লৈবাক্তা থিবা খঙদনা মাঙখ্রে হায়নরকখিবগী নোংমগী মতূংদা মহাক্কী মায়োক্তঃা চথগদবা ইনভেষ্টিগেসন অমগীদমক ব্রাহং–পাউহংনবগীদমক চিনাদা ফাদুনা থম্বা ওইরম্লে।

মশাগী চহী ৬৪ শুরবা মেং অসি ফ্রান্সতা হেদক্বার্টর ওইবা ইন্টর্নেস্নেল লো এমফোর্সমেন্ট এজেন্সি মকোক ওইবা অহানবা চাইনিজনি। হৌখিবা চয়োলদা চিনাদা মহাক হেক থুংলখিবগা থুনমক দিসিপ্লিন ওথোরিটিজনা ব্রাহং–পাউহংনবগীদমক পুখিবনি হায়না লীখুন অমগী ব্রাফম পল্লদুনা হোং কোংদা ফোঙবা *সাউথ চিনা মোর্নিং পোষ্ট* না হায়খি।

অদুম ওইনমক মহাক্কী মথক্তা করি মরমগী থিগৎপগী থবক চথরিবনো নৎত্রগা মহাক কদায়দা থল্লি হায়বা চপ চাবা অদু খুদক্তা শেংনা খঙবা ঙমদ্রি।

চিনাগী মিনিষ্ট্রি ওফ পব্লিক সেক্যুরিটিদা ভাইস মিনিষ্টর অমসু ওইরিবা মেংগী মথক্তা চিনাদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথরি।

মহাক মাঙখ্রে হায়না মহাক্কী লোয়নবী নুপীনা ফ্রেঞ্চ পুলিসতা পাউ পীরকখিবা মতূংদা মহাকপু মাঙখিবা অদু অঙকপা অমা ওইনা লৈরকখিবনি।

চিনাগী সুপরভিজন লোগী মখাদা সস্পেক অমা দিতেন্সন তৌবগী পূং ২৪ গী মনুংদা মাগী ইমুং অমসুং ইমপ্লোয়রদা শোয়দনমক খঙহনগদবনি। অদুবু মেংগী লোয়নবী নুপীদা মাগী দিতেন্সন তৌবগী পাউ খঙহল্লকখিদে। মহাক ২০২০ ফাওবা ইন্টরপোলগী চীফ ওইনা লৈখিগদবনি।

## GAS TODAY

**Canchi Indane Service**
Booking : 26/07/18
Valid : 24/07/18
Stk : 542/5kg Available
Rate : Rs. 998.50/-
Time : 08.00 to 10.30 a.m

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 07/07/18
Sl. No. 224915
Valid : 04/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 04/08/18
Valid : 29/07/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 20/08/18
Sl. No. upto 150
Valid : 18/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 10/07/18
Valid : 30/02/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**সনা–সুদোকু –১৩১২ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 1 | 4 | 9 | 3 | 7 | 6 | 8 |
| 6 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 | 5 | 1 | 3 |
| 8 | 7 | 3 | 6 | 1 | 5 | 4 | 2 | 9 |
| 1 | 2 | 7 | 5 | 4 | 9 | 8 | 3 | 6 |
| 4 | 9 | 8 | 3 | 6 | 1 | 2 | 7 | 5 |
| 3 | 6 | 5 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 4 |
| 5 | 3 | 4 | 9 | 2 | 7 | 6 | 8 | 1 |
| 9 | 8 | 2 | 1 | 5 | 6 | 3 | 4 | 7 |
| 7 | 1 | 6 | 8 | 3 | 4 | 9 | 5 | 2 |

# দোল্লর বিল্লিয়ন ৫.৪৩ চঙনা ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী লৈগদৌরিবা এস–৪০০ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেমনা মতম অমত্তদা মিসাইল ৭২ কাপ্পা, তার্গেট ৩৬ থেংনবা ঙম্মী

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৬*

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা সেঙ্কসনশিং থমজিন্নবগী ব্রাফম ফনা–য়ান্না ফোঙদোক্তুনসু ঙরাং ইরাই নুমিত্তা ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা সহি তৌনখিবা, ইন্দিয়ানা লৈগদৌরিবা এস–৪০০ ট্রিয়ম্ফ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অদুনা মতম অমদা য়েক্নবগী তার্গেট ৩৬ থেংনবা ঙম্মী অমসুং মিসাইল ৭২ মতম চপ মান্ননা অমুক্তদা কাপ্পা ঙম্মী।

ইন্দিয়াগী এয়ার ফোর্স চীফ বি এস ধনোব্রানা এয়ার ফোর্সতা য়াম্না মথৌ তাদুনা লৈরবা বূষ্টর অমা পীরগনি হায়রি।

লোং অমসুং মিদিয়ম রেঞ্জ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম অদু ষ্টিল্থ এয়ারক্রাফ্ট অমসুং অতৈ এরিয়েল তার্গেটশিং য়াওনা এয়ার এটেকশিং থুগাইদুনা মাঙ–তাকহন্নবগী দিজাইনদা শাবনি।

দোল্লর বিল্লিয়ন ৫.৪৩ (লুপা ক্রোর ৪০,০০০) চঙগদবা মিসাইল সিষ্টেম অসি ঙরাং য়ান্নরোল সহি তৌরকখিবা অদুদগী থা ২৪ গী মনুংদা পীরকপা হৌগনি। মিসাইল সিষ্টেম অসি পায়রবদি মসিনা ইন্দিয়াগী মায়োক্নবশিং, মরুওইনা পাকিষ্টান অমসুং চিনানা চথরকপা এয়ার এটেকশিং মনীং হন্না তাম্থোকখিবদা মতেং পাংগনি।

কুমজা ২০১৪ দা চিনানা মিসাইল সিষ্টেম অসি ৬ লৈনবগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৩ গী দিল অমা সহি তৌনখ্রবনি। মদু য়েংলগদি ইন্দিয়ানা সিষ্টেম অসি লৈনবা ঙরাং সহি তৌনখিবদু য়াম্না ব্রাহম্থোক লৈবা শীংথানিংঙাই ওইবা খোঙথাং অমনি।



হৌজিক থবক্তগী পোত্থারবা এয়ার ভাইস মার্সেল মনমোহন বহাদুরনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা রসিয়াগী এস–৪০০ ট্রিয়ম্ফ এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অসি মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈবা ব্রিপন সিষ্টেমনি অমসুং মসিনা এয়ার দিফেন্সকী তোঙান তোঙানবা মরোল ৪ গী এয়ার দিফেন্স পী হায়খি।

এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম অসি লৈবগী তঙাইফদবা অদু ইন্দিয়ানা য়ু এস তা খঙহনখ্রে।

কুমজা ১৯৯৯ দা মতমদুগী রসিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর ইগোর সেরগেয়েবতা সিষ্টেম অসি কাপুষ্টিন য়ার প্রেক্টিস রেঞ্জদা অহানবা ওইনা উৎখ্রে। মিসাইল সিষ্টেম অসি রসিয়ানা এপ্রিল ২০০৭ দগী হৌনা শীজিন্নরক্লি।

সিষ্টেম অসিদা কম্বেট কন্ট্রোল পোষ্ট অমা এরিয়েল তার্গেটশিং মাঙজৌননা খঙনবা থ্রী–কোওর্দিনেট জাম–রেজিষ্টেন্ট ফেজ এররে অমা, ট্রন্সপোর্টর–লোঞ্চর ১২ ফাওবা য়াওবা অমসুং মল্টি–ফঙ্কস্নেল ওইবা ফোর কোওর্দিনেট ইল্ল্যুমিনেসন এন্দ দিটেক্সন রাদর য়াওবা এয়ার দিফেন্স মিসাইল কমপ্লেক্স ৬ তগী ৮ ফাওবা, টেক্নিকেল সপ্পোর্ট সিষ্টেম অমা, মিসাইল ট্রান্সপোর্টিং ভেহিকলশিং অমসুং ট্রেনিং সিম্যুলেতর অমা য়াওরি। কিমিঃ ৬০০ ফাওবগী তার্গেট দিতেক্সন রেঞ্জ লৈ। কিমিঃ ৫ দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা বালিষ্টিক মিসাইল থুগাইবা ঙম্মী।

য়েক্নবগী বোম্বরশিং, ষ্ট্রিল্থ ফাইটরশিং মিসাইলশিং অমসুং দ্রোনশিং কিমিঃ ৩৮০ ফাওবগী মনুংদা থুগাইবা ঙম্মী। এফ–৩৫ জেটকুম্বা য়ু এস কী ৫শুবা জেনরেসন ষ্টিল্থ ফাইটরস কাপথবা ঙম্মী।

রসিয়াগী এস–৪০০ কা চাংদম্নবা য়াবা মিসাইল সিষ্টেম, য়ু এস না শাবা এম আই এম–১০৪ পেট্রিওট, রসিয়াগী ব্রিপন সিষ্টেম অসিগী মখূৎতা মালেমগী মফম কয়াদা মার্কেট মাঙশিল্লক্লে হায়রি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1313**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | | 2 | 9 | 6 | |
| | | 4 | | | | | | 5 |
| | | 9 | | | | 1 | | |
| | | 6 | | | | | | |
| 4 | | | | 3 | | 6 | 7 | |
| | | 8 | 9 | 5 | | | | |
| 6 | | | 3 | 9 | 7 | | | |
| | | 3 | | 1 | | 4 | | |
| 8 | | | | 2 | | | | 9 |